# য়েমেনগী হিথাংফম সিটি হোদৈদা মনাক্তা শোক্লরিবা লাল লেপ্পবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা আপিল তৌখ্রে



অদেন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): য়েমেনগী মরু ওইবা হিথাংফম সিটি হোদৈদাগী মনাক্তা শোক্লরিবা লাল খুদক্তা লেপ্পনবা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শগোলশেল নুমিত্তা আপিল তৌখ্রে। মফম অদুগী লাল কনখৎলকখিবা মতুংদা য়ু এননা আপিল অসি তৌখিবনি।

সোর্সশিংগী মতুংইন্না য়ু এননা শীন্দুনা এরিয়া অদুদা সিজ ফায়র চৎনহনবা লৈনা লৈনা শোক্লরিবা লাল অদুদা মীওই কয়া শিখ্রে। কুমজা ২০১৮গী অথেংবা শরুক্তা ক্রূপ্ট অমা য়ানখিবদগী হোদৈদা গভনরেটতা মরক মরক্তা লাল শোক্লদুনা লাকখি। তৌইগুম্বসুং মফম অদুদা চয়োল অসিদা ইরানগা মীচং চুংশিন্নরিবা হাওথি মুভমেন্টগী ফোর্সশিং অমদি য়েমেনগী সাউদি অরাবিয়ানা শৌগৎপা গভর্ণমেন্টকী ফোর্সশিংগী মরক্তা অল-দুরায়হিনি সিটি অমসুং মনাক নকপা টাউন হাইসকী অকোয়বদা অকনবা লাল শোক্লরকখিবনি।

মিলিটরি অমসুং মেদিকেল সোর্সশিংনা ফোঙদোকখিবদা লাল অদুদা মীওই দজন কয়া শিখি। য়ু এনগী ষ্টেটমেন্টনা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওনা মীচমশিংগী মরক্তা মীশি মীনা কয়া থোক্লে হায়না ফোঙদোকখি।

য়ু এনগী স্পেসল এনভোই মার্টিন গ্রিফিথসনা হায়খি মদুদি নাকল অনীগী মরক্তা লাল কনখৎলক্লিবদুনা ক্রূপ্ট এগ্রিমেন্ট খোঙ্গাওনবগা লোয়ননা মদু লৈবাক শিনবা থুংনা সিজ ফায়র চৎনহন্নবা অৱা অনা তারবশিংবু মতেং পাংনবা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অমদি পোলিটিকেল প্রোসেস মখা চত্থবা য়ানবগী পান্দমদা য়ু এননা শীন্দুনা চত্থরিবা নিগোসিয়েসনগী মায়োক্তসু ওই।

কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বরদা স্বিদেনদা য়ু এননা শীন্দুনা চত্থখিবা পিছ টোকতা খূৎয়েক পীনখিবা হোদৈদা এগ্রিমেন্ট অদুদা নাকল অনীমক্তগী ক্রূপশিং রি দিপ্লোই তৌবগী ৱাফম পনখি। তৌইগুম্বসুং মদু মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌখিদে।

হাওথিশিংনা পায়শিল্লিবা হোদৈদা য়েমেনগী কম্মর্সিএল ইমপোর্টশিং অমসুং তেংবাঙগী পোৎলমশিংগী মরু ওইবা এন্ত্রি পোইন্টনি। লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা ৮০ রোমদি হ্যুমেনিটরিয়ন এসিষ্টেন্সকী মপান তাংদুনা হিংই অমসুং লাল অদুনা মরম ওইদুনা মীওই মিলিয়ন কয়ানা চাক তাঙবগী ফীভম মায়োক্লরকখিবগা লোয়ননা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা মদুবু মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিসনি হায়না ফোঙদোকখি। হাওথি ফোর্সশিংনা কেপিটেল সানাদগী ইন্থুখিবা গভর্ণমেন্ট অমুক লৈহন্নবগীদমক্তা কুমজা ২০১৫গী মার্চতা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা কোলিসননা ৱাথোক অদুদা খূৎ থিংজিনখিবদগী য়েমেন্দা লালগী ফীভম অমা লৈরকখি।

হাওথিশিংনা হায়রিবদি, মখোয়না করপ সিষ্টম অমা থেংনরি হায়বসিনি। হৌজিক ফাওবদা মীওই হন্দ্রেদ থাওজন হেন্না শিহনখ্রবা লাল অদু লোইশিন্নবগীদমক্তা লেপ্লুরবা পোলিটিকেল নেগোসিএসন অমুক হন্না হৌনবা গ্রিফিথসনা লৈবাক শিন থুংনা সিজ ফায়র অমা চৎনহনবা য়ানবা লাল শোক্লরিবশিংগী মরক্তা ৱাতেন্নবা হোৎনরিবনি। কনফ্লিক্ট অদু অমগা অমগা য়েংথিনরিবা সাউদি অরাবিয়া অমসুং ইরানগী মরক্তা শোক্লবা প্রোক্সিগী লাল অমা ওইনা উনরিবনি।

# হ্বাইট হাওসকী ষ্টাফর ৩৪ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা য়ামদ্রবদা হ্বাইট হাওসকী ষ্টাফরশিং অমসুং অতৈ কন্টেক্টশিং পূন্না মীওই ৩৪ নোভেল কোরোনোভাইরস দিটেক্সনগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরে হায়বসি য়ু এস গভর্ণমেন্টকী ইন্টরনেল মেমো অমনা উৎখ্রে হায়রি।

য়ূমশকৈশ নুমিত্তা থোকপা মেমো অদু ফেদরেল ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (এফ ঈ এম এ) গী সিনিয়র লিদরসিপকী মরক্তা য়েন্থোকখি হায়না এন বি সী ন্যুজকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মেমো অদুগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ দাইনোসিষ্টকী মতুংইন্না হোস্পিটালদা নুমিৎ হুমনি লেল্লুরবা মতুংদা হৌজিক্লা হ্বাইট হাওসতা অমুক লৈরবা মশক মমিং পন্দবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী সিনিয়র এদভাইজর অমসু লায়না অসি খঙদোক্লবগী টেষ্টতা পোজিটিভ ওইরল্লে।

চৈরকসিদা প্রসিদেন্টগী সিনিয়র এইদশিং ওইরিবা হোপ হিক্স অমসুং ষ্টেফেন মিলর অনীমকসু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা টেষ্ট তৌবদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইখ্রবনি।



টেষ্ট তৌবদা ভাইরস অসি পোজিটিভ ওইরবা প্রসিদেন্টকী ইন্নর সর্কলদা য়াওরিবা অতৈ মীওইশিংদি ফর্ষ্ট লেদি মেলানিয়া ত্রম্প, হ্বাইট হাওসকী প্রেস সেক্রেটরি কেলি মেকইনানি, আর এন সী টেয়র রোনামেক দেনিএল, য়ুটাগী সিনেটর মাইকলি, নোর্থ কেরোলিনাগী সিনেটর থোম টিলিস, হান্নগী এদভাইজর কেল্লিয়ানি কোনৱে অমসুং ত্রম্পকী কেম্প্যেন দিরেক্টর বিল ষ্টেপিয়ননি।

পনবা য়াবদি, প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প থা অসিগী ২দা ৱালটর রিট নেসনল মিলিটরি মেদিকেল সেন্টরদা পুখিবনি। নুমিৎ অসিগী মমাঙগী নুমিৎতা মহাক কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরে হায়না লাউথোকখি। মহাক নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা হোস্পিটাল অদুদগী চেকআউট তৌখি। য়ু এস সেন্টরস ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা লায়ওং উৎপা হৌরবা মতুং নুমিৎ ১৪নি সেল্ফ-আইসোলেসন তৌনবা রিকম্মেন্দ তৌবা লৈরবসু প্রসিদেন্ট ত্রম্পতি য়াম্না থুনা য়ূমশকৈশা নুমিত্তা ওভেল ওফিসতা হল্লক্তুনা মহাক্কী থবক হৌখি হায়না হ্বাইট হাওসনা ফোঙদোকখি।

# আফঘানিষ্টান্দা লৈবা য়ু এস ক্রূপশিং খৃষ্টমাস ফাওবগী মনুংদা য়ূমদা হল্লক্কদবনি : প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্প



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): আফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা য়ু এসকী ক্রূপ পূম্নমক খৃষ্টমাস ফাওবগী মনুংদা য়ূমদা হল্লক্কদবনি হায়না প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাশিংটননা আফঘানিষ্টান্দা লৈবা য়ু এস ক্রূপশিংগী মশীং ২৫০০দা হন্থহল্লগনি হায়না মহাক্কী নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজরনা ফোঙদোকখিবা মতুং পুং খরখক লৈরগা ত্রম্পনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারীদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং টালিবানগী মরক্তা পুরকখিবা মরু ওইবা দিল অমগী মতুংইন্না আফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা ফোরেন ফোর্সশিং কুমজা ২০২১গী মে ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অসি থাদোক্কদবনি। মদু টালিবানগী মায়কৈদগী কাউন্টর টেরোরিজমগী গরেন্টিশিং পীবগী ফীভমদনি।

গ্রুপ অসিনা আফঘান গভর্ণমেন্টকা তুং কোইনা চৎনগদবা সিজ ফায়র অমা অমসুং পাৱর পায়মিন্নবগী ফোর্মুলা অমা পুরক্লবগী নিগোসিএসন চত্থবগী ৱাফম য়াখিবনি। হায়রিবশিং অসিগী মথক্তা ওফিসলশিংনা হায়রিবদি আফঘানিষ্টান্দা লৈরিবা ফোরেন ক্রূপশিংগী মশীং হন্থহনবা হায়বসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ফীভমশিংগী মখা পোনগনি হায়বসিনি।

ত্বিটর পোষ্ট অমদা ত্রম্পনা হায়, আফঘানিষ্টান্দা লৈহৌরিবা ঐখোয়গী মশীং য়ামদ্রবা থৌনা ফরবা নুপা অমসুং নুপীশিং খৃষ্টমাস ফাওবগী মনুংদা য়ূমদা হল্লক্কদবনি। ত্রম্পনা হায়রিবা ৱাফম অদু ওর্দর অমা পীরিব্রা নৎত্রগা মতম শাংনা পাম্নরক্লবা ৱাফম অমা ৱাহৈনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরক্লিব্রা হায়বসি শেংনা খঙবা ঙমখিদে। মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এস প্রসিদেন্টকী মীখলদা অমুকসু মীরেপ ওইনা চোঙথোক্লিবা ত্রম্পনা মহাক্কী ফোরেন পোলিসিগী মরু ওইবা পান্দম অমা ওইনা মালেমগী মফম কয়াদা লেপ্পা নাইদনা শোক্লরিবা লালশিংদগী য়ু এসপু ৱিথদ্রো তৌগনি হায়না লৈবাক মীয়ামদা থাজবা পীখি।

# রসিয়া, য়ু এস অমসুং ফ্রান্সনা সিজ ফায়র চৎনহন্নবা হোৎনরক্লিঙৈদা ইনৌ নৌনা লাল অমুক শোক্লখ্রে

য়েরেভান/বাকু, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): সিজ ফায়র অমা পুরক্তুনা করম্না সাউথ কোকেসসতা হেন্না চাউবা লাল অমা থোকহল্লোইদগে হায়বগী মতাংদা খন্ননবা য়ুনাইটেদ ষ্টেট, ফ্রান্স অমসুং রসিয়াগী মরক্তা মীফম অমা পাঙথোক্লিঙৈগী মাঙওইননা শগোলশেল নুমিৎকী অঙনবদা অজরবাইজান অমসুং ইথনিক অর্মেনিয়নশিংগী মরক্তা ইনৌ নৌনা লাল অমুক শোক্লখ্রে হায়রি।

অজেরি ফোরেন মিনিষ্টর জেহুন বেরামোভনা শগোলশেল নুমিত্তা জেনেভাদা য়ু এস, রসিয়ন অমসুং ফ্রেন্স এনভোইশিংগা উনগনি অমসুং নিংথৌকাবা নুমিত্তনা মোস্কোদা অর্মেনিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর জেহরাব মনাটসকায়ানা লৈবাক অহুমগী ওফিসলশিংগা উনরবা য়াই হায়না থাজনরি।



সেপ্টেম্বর ২৭তগী কনশিল্লকখিবা লাল অদু লেপহন্নবগীদমক্তা পাৱর অহুম অসিনা পূন্না হোৎনদুনা ৱারী শানবা য়াবগী ফীভম অসি লাকখিবনি। লাল অদুনা য়ুরোপতা নেচরেল গ্যাস অমসুং থাও পুরিবা অজরবাইজানগী পাইপ লাইনশিংগী সিক্যুরিটিগী মতাংদা অকিবা পোকহনখি। ৱাশিংটন, পেরিস অমসুং মোস্কোনা চীংগী এনক্লেব নাগোরনা-করাবাক্কী মতাংদা লৈরিবা দিকেদ কয়া শুরক্লবা কনফ্লিক্ট অদুবু ৱাতেম্বগী থবক লুচিংলকখিবা ওর্গনাইজেসন ফোর সিক্যুরিটি এন্দ কো-ওপরেসন ইন য়ুরোপস (ও এস সী ঈ) মিনস্ক গ্রুপকী কো-চ্যেরশিংনি।

ইন্টরনেসনল লোগী মখাদা নাগোরনো-করাবাক অসি অজরবাইজানগী ওইরি। তৌইগুম্বসুং মফম অসি মীওই লিশীং ৩০ রোম শিখিবা কুমজা ১৯৯১-৯৪গী লালদা অজরবাইজান্দগী তোখায়না তাখিবা ইথনিক অর্মেনিয়নশিংনা খুন্দাবা অমসুং লৈঙাকচবা এনক্লেব অমনি। কনফ্লিক্ট অসিগী মতাংদা লৈরিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ফিরেপতি নাকল অনীমক্লা খুদক্তা খূৎলায় শীজিন্নবা লেপকদবনি হায়বা অসিনা হায়না য়ু এসকী স্পোক্সমেন অমনা জিনেভাদা ফোঙদোকখি।

# আই এ এফকী বলাকোট ওপরেসনগী ওফিসর ৩ য়ুধ সেবা মেদল পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে

ন্যু দিল্লি,ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): হৌখিবা চহীদা বলাকোট ওপরেসন্দা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ওফিসর ৩ শগোলশেল নুমিৎতা ৮৮শুবা এয়রফোর্স দেগী থৌরমগা মরী লৈননা গেলেন্টরি মেদলশিং পীদুনা ইকায়খুম্নখ্রে।

য়ুধ সেবা মেদল ফংখিবা ওফিসরশিং অদুদি স্কাদ্রোন লিদর মিন্টি অগরৱাল, গ্রুপ কেপ্তেন হাঙ্গেল সেক্কেরা অমসুং গ্রুপ কেপ্তেন হেমন্ট কুমার বাদস্রা অসিনি। য়ুধ সেবা মেদল অসি লাল, কনফ্লিক্ট নৎত্রগা খূৎ থোক্লরকপা মতমদা অৱাংবা থাক্তা থোইদোক হেন্দোকপা সর্ভিস তৌখিববু শকখঙদুনা পীবনি।

স্কাদ্রোন লিদর লিদর মিন্টি অগরৱাল অসি ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী ফাইটর কন্ট্রোলর অমনি। মহাক আই এ এফনা কুমজা ২০১৯দা বলাকোট এয়র ষ্ট্রাইক চত্থরিঙৈ মনুংদা ৱিং কম্মান্দর অভিনন্দন বর্থমনবু গাইদ তৌখিবা টিম অদুদা য়াওখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামাদা চত্থখিবা টেরর এটেক্কী লমন খুন্থা ওইনা ইন্দিয়ানা হৌখিবা চহীগী ফেব্রুৱারী ২৬তা পাকিষ্টানগী বলাকোটতা লৈবা টেরর ট্রেনিং কেম্প অমদা এরিএল ষ্ট্রাইক অমা পাঙথোকখিবনি।

পাকিষ্টান্দা বেজ তৌবা টেরর আউটফিট জাইস-ঈ-মোহম্মদনা ক্লেইম তৌখিবা ফেব্রুৱারী ১১দা চত্থখিবা টেরর এটেক অদুদা পূন্না ইন্দিয়াগী লান্মী ৪০ শিখি। ইন্দিয়ন এয়রফোর্স দে অসি এয়রফোর্স হৌদোকখিবগী নুমিৎকা মরী লৈননা চহী খুদিংগী ওক্টোবর ৮দা ওবজার্ভ তৌরিবনি।

# মুসলিম নহারোলশিং ইস্লামিক ষ্টেট য়াওহন্নবা সিরিয়াদা থাবগীদমক এন আই এনা মীওই ২ ফারে

ন্যু দিল্লি,ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন আই এ) না ইনৌ নৌনা এক্যুজ অনী অমসু ইস্লামিক ষ্টেটতা য়াওহন্নবগীদমক সিরিয়াদা মুসলিম নহাশিং থারম্বগী মরালদা ফাখ্রে। ফারবা মীওই অনী অদুদি অমনা বিজিনেস এনালিষ্ট অমনি অদুগা অতোপ্পা অদুনা চেঙ ললোনবা অমনি।

মখোয় অনীনা গ্রুপ অদুগী মেম্বরশিংবু হকচিনবা ৱাখল্লোনশিং চেলহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। মসিদা নত্তনা মখোয়না দোনেসনশিং অমসুং মশাগী সোর্সশিংগী শীজিন্নরগা মুসলিম নহারোলশিং অদু সিরিয়াদা থারম্বনি হায়রি।

বেঙ্গালুরু ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) দেইস মোদ্যুল কেসকী মতাংদা এজেন্সি অসিনা চত্থরিবা থিজিন হুমজিনবগী থবক অদুগা মরী লৈননা মীওইশিং অসি ফাখিবনি।

এন আই এগী স্পোক্সপর্সন অমনা ফোঙদোকখিবদা বেঙ্গালুরু-বেজ আই এস আই এস মোদ্যুল টেষ্টকা মরী লৈননা এজেন্সি অসিনা টামিল নাদুগী রামানাথপুরমদা লৈবা অহম্মদ অবদুল কাদের অমসুং কর্ণাটকাগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা ইরফান নাসির হায়রিবা মীওই অনী অসি য়ূমশকৈশা নুমিত্তা মখোয়গী য়ূমশিংদা থি হুম্বগী থবক চত্থবগা লোয়ননা ফাখি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা হায়খি মদুদি কাদের হায়রিবা মীওই অদু চেন্নাইগী বেঙ্ক অমদা বিজিনেস এনালিষ্ট অমা ওইনা লৈবা মীশকনি অমসুং নাসিরনা বেঙ্গালুরুদা চেঙ ললোনবা মীশকনি।

# সুপ্রিম কোর্টনা এক্স-আই এ এস ওফিসর অমবু লৈবাক অসিগী খুদোংথিনীংঙাইনি হায়দুনা বেল পীখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): ওফিসল সেক্রেটস এক্ট (ও এস এ) গী মখাদা ৱায়েল মায়োক্লরিবা হান্নগী আই এ এস ওফিসর অমবু লৈবাক অসিগী ওইনা খুদোংথিনীংঙাই ওই হায়না শগোলশেল নুমিৎতা সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখ্রে অমসুং মহাকপু বেল পীখিদ্রে।

চীফ জষ্টিস এস এ বোবদেনা লুচিংবা অমসুং জষ্টিসশিং এ এস বোপানা অমসুং বি রামাসুব্রমানিয়ম য়াওবা বেঞ্চ অমনা দিল্লি হায়কোর্টকী ওর্দর অমগী মায়োক্তা রঞ্জিৎ কে কেনা ফাইল তৌরকখিবা প্লী অমা খন্নবীয়ু হায়বদা য়াখিদবনি।

রঞ্জিৎ হৌজিক পাকিষ্টানগী ইন্টলিজেন্স সর্ভিসকী ফ্রন্ট ওইরমগনি হায়বগী চিংনবা লৈবা মীওইশিংদা লৈবাক অসিগী অরুবা ইনফোর্মেসন পীথোক্লম্বগী মরালদা ৱায়েল মায়োক্লরিবনি।

বেঞ্চ অদুনা মহাকপু লৈবাক অসিগী ওইনা খুদোংথিনীংঙাই ওই অমসুং মহাক্লা লৈরিবা মফম অদুদগী হেন্দোক্তুনা লৈ হায়না ফোঙদোকখি।

রঞ্জিৎকী উকিলনা বেঞ্চ অদুদা মহাক্কী ক্লাইন অদু ও এস এগী মখাদা জেলদা লৈবনা মরম ওইদুনা কেরলাদা লৈরিবা মমা চহী মঙা চুপ্পা উনরক্ত্রে হায়না থমখি। মদুদা বেঞ্চ অদুনা পূম্ন মকসি তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্লা ৱাখল খল্লমগদবনি হায়না পাউখুম পীরকখি।

# এন পি সী আই এলনা রসিয়াদা লৈবা এটৌমিক পৱার কম্পোনেন্ট মেকর ফেসিলিটি য়েংশিনখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): রিএক্টর কন্ট্রোল অমসুং প্রোটেক্সন সিষ্টম ইলেক্ট্রিকেল ইক্বিপমেন্ট (আর সী পি এস ঈ ঈ) শারিবা রসিয়াদা লৈবা জে এস সী ভি এন আই আই ঈ এম কোর্পোরেসন ন্যুক্লিয়র পাৱর কোর্পোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদ (এন পি সী আই এল) গী রিপ্রজেন্টেটিভশিংনা য়েংশিনখ্রে হায়না শগোলশেল নুমিৎতা রসিয়াগী ইন্টিগ্রেটেদ ন্যুক্লিয়র পৱার প্লেয়র রোসাটোমনা ফোঙদোকখ্রে।

টামিল নাদুগী কুদনকুলমদা লৈহনগদৌরিবা অহুমশুবা মেগাৱাট লিশীং ১গী ন্যুক্লিয়র পাৱর প্লান্টকীদমক্তা জে এস সী ভি এন আই আই ঈ এমনা আর সী পি এস ঈ ঈ শারি। জে এস সী ভি এন আই আই ঈ এম কোর্পোরেসনগী প্রদক্সন ফেসিলিটিশিং য়েংশিনখিবগা লোয়ননা পার্টিশিংনা আর সী পি এস ঈ ঈ কেবিনেট পূম্নমক্কী ওইনা কেবিনেট ইন্টর্নেল ৱেয়ারিং অমসুং মোদুল ইন্সটোলেসনগীদমক এক্সেপটেন্স রিপোর্ট অমা খূৎয়েক পীনখি। মসি ফেক্টরি এক্সেপটেন্স টেষ্টশিং অমসুং মপূং ফাবা ইন্টিগ্রেসন টেষ্টশিংগী মায়কৈদা থাংলকপা মরু ওইবা খোঙথাং অমনি হায়না রোসাটোমানা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী এটোমিক পাৱর ওপরেটর এন পি সী আই এলনা টামিল নাদুগী টরুনেল ভেল্লি দিষ্ট্রিক্টকী কুদানকুলমদা অহেনবা প্লান্ট মরি শারিবনি। প্লান্টশিং অদু মেগাৱাট্ট লিশীং অমগী অহুমশুবা, মরিশুবা, মঙাশুবা অমসুং তরুকশুবা য়ুনিটশিংনি।

মান্নবা চাংগী পাৱর পুথোকপগী কেপাসিটি লৈবা অহানবগী য়ুনিট অনীদি মতম খরা মথৌ তৌদুনা লাক্লবনি। অহুমশুবা অমসুং মরিশুবা য়ুনিটশিংদি তোঙান তোঙানবা কম্পোনেন্টশিং রসিয়াদগী কুদানকুলমদা থারক্লি।

চৈরকসিদা, রোসাটোমনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী গ্লোবেল কম্পেক্ট হায়বা মালেমগী বিজিনেসশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কোর্পোরেট সোসল রেসপোন্সিবিলিটি অমসুং সষ্টেনেবল দিভলপমেন্ট ইনিসিএটিভতা য়াওরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা এন্টরটেনমেন্ট পার্কশিং নৌনা হাংনবগী গাইদলাইনশিং ইস্যু তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি,ওক্টোবর ০৮ (এজেন্সী): কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা লাকশিন্নবগীদমক্তা কন্টেনমেন্ট জোনশিংগী ৱাংমদা লৈরিবা মফমশিংদা এন্টরটেনমেন্ট পার্কশিং অমসুং মান্নবা মফমশিংদা ঙাক্কদবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) শিং শগোলশেল নুমিৎতা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা ইস্যু তৌখ্রে।

স্বিমিং পুলশিং মখা তানা ক্লোজ তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রবসু ৱাটর থিম, এন্টরটেনমেন্ট পার্কশিং অমসুং ৱাটর রাইটশিংদি মখা তানা হাংবা য়াহল্লগনি। লৈবাক্তুগী শেল থুমগী থবক থৌরমশিং মহৌশাগী ফীভমদা লাকহনবা য়ানবগীদমক্তা পুথোরকখিবা খ্বাইদগী নৌবা থৌরাংশিংগী মখাদা ওক্টোবর ১৫দগী সিনেমাশিং, থিএটরশিং, মল্টিপ্লেটশিং সিটিং কেপাসিটি চাদা ৫০ ফাওবগী চাংদা হাংবগী অয়াবা পীখি। মিনিষ্ট্রি অসিনা হায়খি মদুদি এন্টরটেনমেন্ট পার্কশিং অমসুং মান্নবা মফমশিং মীয়াম্না মতম লেনবা অমসুং এন্টরটেনমেন্টকীদমক চৎনৈ। মরম অদুনা কোরোনাভাইরস শন্দোরকপা থিংনবগীদমক্তগা মীয়াম্না তঙাইফদবা ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং অমসুং অতৈ লাইচৎ থিংনবগী থৌরাংশিং ঙাকপা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

ꯇ꯭ꯔꯥꯟꯁꯂꯦꯇꯤꯡ ꯗ꯭ꯔꯥꯐꯇꯤꯡ ꯑꯦꯟꯗ ꯑꯦꯗꯤꯇꯤꯡ
TRANSLATING
DRAFTING & EDITING
AT
WONDER WORD WEAVER
1. Translating works in Manipuri into English.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing project-works for students.
4. Editing articles for newspaper, magazines, press, etc.
5. Drafting applications or representations.
6. Editing applications or representations.
*Authors, writers, journalists, reporters, research scholars and students can avail the above services at affordable prices.
For details please contact :
WONDER WORD WEAVER
8974642764
Or write to :
wonderwordweaver@gmail.com
phoenixrhymeschool@gmail.com
HL-B/6436/9/10-6/11 (alt)

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
CLASSES - XI & XII (Science) Both CBSE & COHSEM
FOUNDATION COURSE 2020-21
20 STUDENTS PER CLASS
ONLY EFFECTIVE OFFLINE CLASS
For Details :- Plz. Contact APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office.
Class Starts : 22nd Oct. 2020
Office Timing : 7a.m - 4p.m
HL-B/6389/9-15/10(alt)

SARASWATI INSTITUTE OF
MANAGEMENT & PARA-MEDICAL SCIENCES
Opp. to 6th IRB, MPTC Pangei, Imphal East
Affiliated to Manipur University & Approved by the Ministry of HRD, New Delhi
Contact No. : 98565 75163 / 94022 33554
Email : plusphijam27@gmail.com www.simpsimphal.com
100% Job placement
ADMISSION NOTICE
Estd. since 2016



B.Sc. (MLT, RIT, OTT)
B.Sc. Forensic Science
Diploma in Pharmacy
Diploma (MLT, RIT, OTT, DIALYSIS)
Last date of
Form Submission
10th September
2020
HL-B/6322/20/08-19/09 (alt)